# ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক্কী ইম্পোর্ট তৌবা য়াহন্নবা বিজিনেসমেনশিংনা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী মহৈ মরোং চাদা ৯০ রোম মাঙহন তাকহনখ্রবা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা লেপ্তুনা লুশিল্লক্লিবা চিঞ্জাক্কী ক্রাইসিসকী ফিভম য়েংদুনা লৈবাক অসিগী বিজিনেসমেনশিং অমদি ইকনমিক এক্সপার্টশিংনা ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবগী ৱাফম খন্নবগা লোয়ননা মদুগী অয়াবা পীননবা গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে।

সজেসন অসি হৌখিবা জুনগী ময়াই চনবা শরুক্তগী পাকিস্তানদা পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি ফুদ সেক্যুরিটি প্রোব্লেমশিং লৈরক্লিবদুগা মরী লৈননা লাকপনি। পাকিস্তানগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ঈশিং থুমজিনখিবা অসিনা ফার্মগী লম অমসুং লৌউ শিংউগী লম একর লিশিং কয়াগী হৌরিবা লোক্ত্রিবা মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা মদুনা মীওই মিলিয়ন ৩৩ দা হকথেংননা চৈথেং পীরি অমদি ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে।

কুমগী নোং মতম শাংনা অমদি



হান্নদগী হেন্না কন্না চুবদগী থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অদুনা লৈবাক অসিগী ফার্মগী শা ষণ অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপুং ফানা মীপায়নিংঙাই ওইবা চাংদা হন্থহনখি। বিজিনেস কম্যুনিটিনসু গভর্ণমেন্টদা লৈবাক অসিদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা এগ্রিকলচর সেক্তরদা ইম্পোজ তৌরিবা টেক্স খুদিংমকসু কোকথোকপীনবা হায়জখ্রে।

পাকিস্তান বিজিনেসমেন এন্দ ইন্টলেকচুয়েল ফোরম (পিবিআইএফ) না প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মখোয়না গভর্ণমেন্টদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক পুম্নমক্তগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াহন্নবা তকশিল্লি। আইবিআইএফকী প্রসিদেন্ট জাহিট হুসেননা রসিয়া-যুক্রেন লান পল্লদুনা লান অসিনা মালেমগী ওইনা এগ্রিকলচরেল কম্মোদিটিশিংদা চাওনা মাঙহন তাকহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী লাননা গ্লোবেল এগ্রিকলচরদা অদুক্কী মতিক অমাঙ অতা থোকহল্লে অমদি এগ্রিকলচরেল কম্মোদিটি পুম্নমক্কী মমলশিং অদুক্কী মতিক ৱাংখৎখ্রে। জাহিট হুসেনগী মতুং ইন্না লান অসিগা লোয়ননা শাথিরবা ঈচাও অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবসি য়াম্না মরু ওইবা চিঞ্জাক্কী আইটেম ওইরিবা গেহুদনি।

গেহুগী মমল রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৱাংখৎখ্রে। হৌজিক ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা পাকিস্তানগী লৌফম একর মিলিয়ন কয়াদা হৌরিবা গেহু পুম্বা মাঙ তাকখ্রে। ইরান অমসুং অফঘানিস্তানদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াহল্লবসু ইম্পোর্টরশিংগী ফোরেন একচেঞ্জ সপ্লাই লেপখিবনা মরম ওইদুনা মখোয়গী বিজিনেসকী চাদিং কা হেন্না ৱাংখৎলকখি হায়না পিবিআইএফনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং ইম্পোর্ট তৌবা য়াহন্নবগী রিকমেন্দসন অসি মরু ওইনা মসিনা ফুদ ইম্পোর্টকী ওইনা খ্বাইদগী থুবা অমদি মমল খ্বাইদগী হেন্না চঙলোইদবা লম্বী ওইবদগীনি। পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং মতম খরা লেপ্তুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ট্রেদরশিংনা যুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (যুএই) গী খুথাংদা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং পুশিন্নবা হোৎনখি। মসিনা ট্রেদরশিংদা ইম্পোর্টকী চাদিং হেন্না তৌহল্লি হায়রি। আইবিআইএফনা পাকিস্তানগী লৌমীশিংদা ইন্টরেষ্ট ফ্রি লোনগী শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ১৭ রোম পীননবগী ৱাফমসু গভর্ণমেন্টদা তকশিনখি।

# এফ-১৬ দিল জয়সঙ্করনা কন্না য়ানিংদবা উৎখ্রে যুক্রেনগী মতাংদা ৱাতেম্বগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

পাকিস্তানদা এফ-১৬ ফাইটর প্লেনশিংগী দোল্লর মিলিয়ন ৪৫০ গী স্পেয়রশিং অমদি সার্ভিসশিং ফঙহন্নবা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌদোক্লিবা ৱাফম ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেপেবিলিটি ৱাংলবা ফাইটর এয়রক্রাফটশিং অসিবু শুপ্নগী কাউন্টর-টেররিজম ওপরেসনশিংদা শীজিন্ননবনি হায়বা ক্লেমশিং অসি কনামত্তনা থাজরোই হায়খ্রে।

অমরোমদা, তোঙানবা ইস্যু অমা ওইনা মিনিষ্টর অসিনা যুক্রেন-রসিয়াগী লানদা ইন্দিয়ানা ৱাতেম্বগী থৌদাং লৌবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎসু পীখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা মেক্সিকোনা যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পোপ ফ্রান্সিস য়াওনা গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেটকী মকোকশিংগী ওইবা কন্মিটি অমনা যুক্রেনগী লান অদু লোইশিলহন্নবগী পান্দমদা যুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজপু মতেং পাঙবা য়াগনি হায়বা ৱাফম হৌদোকখি।



ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর অমনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন অমেরিকন কম্যুনিটিগা চথবা পব্লিক ইন্টরেক্সন অমগা লোয়ননা জয়সঙ্করনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা ৱাশিংতন দিসি খোঙচৎ হৌদোকখি। ইন্দিয়ন অমেরিকন কম্যুনিটিগা চথখিবা ইন্টরেক্সন অদুগী ৱাহং পাউহংগী সেসন অমদা মিনিষ্টর অসিনা ওদেন্সকী মায়কৈদগী হান্না স্ক্রিনিং তৌখিদবা ৱাহংশিং লৌখৎতুনা পাউখুম পীনবা হোৎনখি।

মহৌশানা ভিজিটিং এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টরশিংনা অসিগুম্বা ৱাহং পাউহংগী সেসনশিং অসি থিঙ্ক-টেঙ্ককী ইভেন্টশিংদা রিপোর্টরশিং অমসুং ওদেন্সশিংদা য়াহল্লি।

মিনিষ্টর অসিনা রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দাবা, পাকিস্তান, কাশ্মির, এদুকেসন, হেল্থ অমদি মতম শাংনা কেরিয়র দিপ্লোমেট অমা ওইরকপগী মহাক্কী এক্সপরিয়েন্সশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী ৱাহংশিংগী পাউখুম পীখি। এফ-১৬ ফাইটর এয়রক্রাফটকী স্পেয়রশিংগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি য়াম্না থম্মোয় শেংনা হায়রবদা অসিগুম্বা মরী অসিনা পাকিস্তান অমদি অমেরিকনশিং অনীমক্কী অনিংবা অপান্বশিং থুংহনবা ঙমদে।

# হৌথিশিংগী মিসাইল এটেক্তা য়েমেনগী সেনিয়র মিলিটরি ওফিসার খরা হিংহৌরে

অদেন, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

নোংমাইজিং নুমিত্তা য়েমেনগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স হাজাদা পাঙথোকখিবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী সেনিয়র মিলিটরি ওফিসার খরনা শরুক য়াখিবা সেলেব্রেসন গেদরিং অমদা হৌথি মিলিটেন্টশিংনা মিসাইল এটেক চথখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্তবা গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর রিভোলুসন ডেগী সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা হাজা প্রোভিন্সকী মিদি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা টোর্চ লাইটিং সেরিমোনি পাঙথোক্লিঙৈদা মফম অদুদা অমদি অকোয়বদা মিসাইল মরি তাশিল্লকখি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেনিয়র মিলিটরি ওফিসারশিং অদুগা লোয়ননা সিভিলিয়ন কয়া মিসাইলশিং অদুনা মফম অদুদা তারক্ত্রিঙৈ শুপ্নগী মিনিট খরগী মমাঙদা মফম অদু থাদোকখি। মিলিটেন্টশিংগী এটেক অদুদা মীশি মীনা থোকখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা হৌথি গ্রুপপু মিসাইলশিং কাপশিল্লকপগী



মরাল শীরদুনা মদু গভর্ণমেন্টগী মিলিটরি ওফিসরশিং অমদি অতৈ লোকেল লিদরশিং হাৎননবা থৌরাংনি হায়খি। নোর্দন য়েমেনগী পাক চাওরবা মফমশিং কন্ট্রোল তৌরিবা হৌথি গ্রুপনা মিসাইল এটেক অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

কুমজা ১৯৬২ গী সেপ্টেম্বর ২২ দা ইমাম মোহমদ অল-বাদরবু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুখিবগী থৌদোক নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী নুমিৎ অসিদা য়েমেননা সেপ্টেম্বর রিভোলুসন ডে সেলেব্রেসন তৌদুনা লাক্লি। ইমাম মোহমদ চিংথুখিবগা লোয়ননা য়েমেন অসি আরব রিপব্লিক অমা ওইরকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া পায়শিনখিবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেনি গভর্ণমেন্টবু নম্ফুদা কেপিটেল সানাদগী ইস্থোক-খিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাক্লি।

সিভিল ৱার অদুদা মীওই লিশিং কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন মরি ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখি। লান অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পাক্তক্লনা চাবা ফঙদবগী ফিভম ফাওবা লাকহনখি।

# সাউথ কোরিয়াদা আউটলেট মোল মৈ চাকপদা মীওই ৭ শিরে

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী দেজিওন সিটিদা লৈবা আউটলেট মোল অমদা মৈ চাওনা চাল্লকপদগী মীওই তরেৎ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিগী মতুং ইন্না অহেনবা ভিক্তিমশিং থিবগী ওপরেসন অমা চথরি। আউটলেট মোল মৈ চাকখিবদু অয়ুক পুং ৭.৪৫ তাবা মতমদা কেপিটেল সিওলদগী খারোমদা কিমি ১৬০ রোম লাপ্না দেজিওনদা লৈবা হ্যুন্দাই প্রেমিয়ম আউটলেটকী বেজমেন পার্কিংদগী হৌরকখিবনি অমদি কার্দবোর্দ বোক্সশিংদা থুনা শন্দোকখিবনি হায়না থাজনখি।

অমুবা মৈখু মপৈশিং কাখৎলক্তুনা ফ্লোর অপুম্বা থনখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা উহৌবশিং অমদি থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি। মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা মীওই অমা অমদি চহী ৩০ খরা হেল্লবা মীওই অমা পুন্না নুপা অনী অরুবা ফিভমদা শোল্লম্বা থেংনখি অমদি হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় অনীমক শিরে হায়না ডাক্তরশিংনা লাউথোরকখি।

অনকপা একোমোদেসন



বিল্ডিংশিংদা লৈরিবা অয়াম্বনা কষ্টমরশিং অমসুং এমপ্লোয়িশিং ওইরিবা মীওই ১১০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকখি। মোল অদুগী বিজিনেস মতমগী মাঙওইননা মৈহৌ লাংপোক অদু থোক্লকখিবা মতমদা আউটলেটকী কষ্টমরশিং লৈখিদে। পার্সনেল ১২০ হেনবা অমদি ফায়র ফাইটিং ইক্বিপমেন্ট পিছ ৪০ না মৈহৌ লাংপোক অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মোল অদুগী অন্দরগ্রাউন্দ কার্গো হেন্দলিং এরিয়াদা লৈরিবা মৈ চাল্লকপা পেপর বোক্সশিং অদুদগী মৈখু চাওনা কারকপনা মরম ওইদুনা থী হুম্বগী ওপরেসনদা খুদোংচাদবা কয়া থোকখি।

অন্দর গ্রাউন্দ পার্কিং গেরেজ অমদা চার্জ তৌরিবা ইলেক্ট্রিক কার অমা পোকখায়খিব্রা হায়বা য়াওনা মৈ অদু করম্না হৌরকখিবনো হায়বসি লেপথোক্লবা ফায়র ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথরি।

# সুপর টাইফুন নোরুনা ফিলিপিন্সকী লুজোন ঈথৎতা মীওই মঙা শিহনখ্রে

মনিলা, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

সুপর টাইফুন নোরুনা ফিলিপিন্সকী লুজোন ঈথৎতা শাফু কন্না শিৎচিনখিবগা লোয়ননা নোং কন্না চুহনখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা শাথিরবা টাইফুন অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদগী হাইদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীওই মঙা শিখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, টাইফুন নোরু অসি চহী অসিদা ফিলিপিন্সতা চঙলকপা ১১ শুবা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা সাইক্লোননি।

বুলাকান প্রোভিন্সকী গভর্নর দেনিয়েল ফার্নোন্দোনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা ফোঙদোকখিবদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদগী কেপিটেল মনিলাগী অৱাংদা লৈবা সান মেগুয়েল টাউনদা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরিবা রেস্ক্যু ৱার্কর মঙা ঈচাওগী ঈশিংনা চেন্থখ্রে।

টাউন অদুগী শরুক খরা হৌজিকসু লৈঙাং চেল্লবা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈরি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল অথেংবদা লমদম অদুদা শিৎচিল্লকখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা ষ্টেট ৱেদর এজেন্সিনা নোরুবু দাম গ্রেদ তৌদুনা টাইফুন অমা ওল্লে হায়না লাউথোরকখি। ৱেদর ব্যুরোনা হায়খি, মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা নোরু শাফু কন্না পুংদা কিমি ৩০ গী স্পিদতা নোংচুপ পাঙনা শিংখি।

নুংশিৎকী স্পিদশিং পুংদা কিমি ১৪০ য়ৌবা অমদি কল্লবদা পুংদা কিমি ১৭০ য়ৌবা য়াওখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট ফার্দিনান্ট মার্কোসনা সাইক্লোন অদুনা শোকহল্লবা মনিলাগী অৱাংদা লৈবা প্রোভিন্স অহুম নোংথক্তগী ইন্সপেক্সন চথখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা টাইফুন অদুনা থুংখিবা ক্যুজোন প্রোভিন্সতসু চত্তুনা মহাক্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মাঙহন



তাকহল্লিবশিং অদু য়েংশিনগনি।

প্রসিদেন্ট মার্কোসনা হায়খি, মদুদি হন্দক টাইফুন অসিনা কা হেন্না মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা থোকহল্লমদবা অসি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি। হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসি ঐখোয়না নোংলৈ নুংশিৎ অসিগীদমক শেম শাদুনা লৈরকপনি। চেকশিন থৌরাং ওইনা টাইফুন অদুগী লম্বীদা লৈরিবা মীওই ৭৪,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি অমসুং কেপিটেল মনিলাগী মফম খরগী ওইনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না ৱার্নিং ইস্যু তৌখি।

ফ্লাইট অমসুং ফেরি সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং অমসুং স্কুলশিংসু লেপ্পবা খঙহনখি। মালেমগী ওইনা মহৌশাগী শাথিবা খ্বাইদগী হেন্না থোক্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফিলিপিন্স অসি পেসিফিক রিং ওফ ফায়র অমসুং পেসিফিক টাইফুন বেল্টতা লৈরিবনি। চাংচৎতা ঈথৎ মপৈগী লৈবাক অসিদা চহী অমদা টাইফুন ২০ না ফুজিল্লি।

# যুএন এদুকেসন ফন্দদা দোন্নরশিংনা দোল্লর মিলিয়ন ৪২ থাজিনখ্রে

যুএন, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

ইমর্জেন্সিশিং অমসুং মতম শাংলবা ক্রাইসিসশিংগী ওইবা এদুকেসনগী যুএন গ্লোবেল ফন্দ এদুকেসন কেননোট ৱেট (ই সি দব্লিয়ু) দা লেগো ফাউন্দেসন, জমর্নি অমসুং যুএসনা অনৌবা ফন্দিং ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৪২ পীরক্লে হায়না ফন্দ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, দোন্নরশিং অসিনা যুএন জেনরেল এসেমব্লিগী মরু ওইবা মীফম মনুংদা মখোয়গী ৱারেপ অদু লাউথোকখি। লেগো ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী দোল্লর মিলিয়ন ২৫ ওফর তৌখি। জর্মনিনা যুরো মিলিয়ন ১০ হায়বদি দোল্লর মিলিয়ন ১.৭ অমসুং যুএসনা দোল্লর মিলিয়ন ৭ ওফর তৌখি।

অনৌবা ফন্দিং অদু গ্লোবেল লর্নিং ক্রাইসিস অমা কোকহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মথৌ তারিবা সপোর্ট পীবদা শীজিন্নগদৌরিবনি। ক্রাইসিস কয়াগী চৈথেং নঙলবা নুপীমচা অমদি নুপামচা মিলিয়ন ৭৮ স্কুলদা মহৈ মশিং তম্বা ফঙদনা লৈরি অমসুং চহী ১০ গী লেঙ্গাগী অঙাং অপুন্বগী শরুক অহুম থোকপগী অনীরোমদি ইচম চম্বা টেক্স অমা ফাওবা পাবা ঙমদনা লৈরিবনি হায়না ই সি দব্লিয়ুনা ফোঙদোকখি।

ইসিদব্লিয়ুগী দিরেক্তর য়সমিন সারিফনা হায়খি, মদুদি এদুকেসন হায়বসি মীওইবদা ইনভেষ্ট তৌবনি। হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না অসিগুম্বা খোঙথাংগী মমি খরদমক উবা ফঙলি। হৌজিক অঙাং মিলিয়ন ২২২ অসিগুম্বা মতেং ঙাইদুনা লৈরি হায়বা য়াই।

এদুকেসন কেননোট ৱেটপু মপুং ফানা ফন্দিং তৌননবা ঐখোয়না ঐখোয়গী মরক্তা যুনিটি লৈগদবনি অমসুং মথংগী চহী মরিগী মতম অসিদা ঐখোয়গী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ মুবিলাইজ তৌনবা হোৎনবীগদবনি হায়না দিরেক্তর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬ দা লিংখৎখিবদগী ইসিদব্লিয়ু অমসুং মসিগী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ১.১ হেন্না মোবিলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা অঙাং অমসুং মশা ইনখৎলক্লিবা মীওই মিলিয়ন তরেৎলোম হকথেংননা সপোর্ট পীখ্রে হায়না ফন্দ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নোর্থ কোরিয়া অমসুং চাইনাগী ফ্রেট ট্রেন সার্ভিস হৌখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

মতম খরা লেপ্লুরবা নোর্থ কোরিয়া-চাইনাগী ফ্রেট ট্রেন সার্ভিস অমুক হৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনাগী বোর্দর সিটি দানদোংদগী ফ্রেট ট্রেন অমা রেলৱে ব্রিজ অমা লাল্লগা নোর্থ কোরিয়াদা চঙশিন্দুনা থা মঙা লেপ্লুরবা মতুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা অসিগুম্বা কার্গো সার্ভিস ওপরেসন অমা অমুক হৌখিবনি।

কার তরা হেন্না য়াওবা ট্রেন অদু অয়ুক পুং ৭.৪৩ তাবা মতমদা নোর্থকী বোর্দর সিটি সিনুইজুদা চঙশিন্নবগীদমক অননোক রিভরদা শারিবা ব্রিজ অদু লানবা উখি।

কোভিদ ১৯ লাইচৎ শন্দারকপনা মরম ওইদুনা দমনোংদা লোকদাউন থমখিবদগী এপ্রিল ২৯ দগী হৌনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা ক্রোস-রেল ওপরেসন লেপ্তুনা লাকপনি। নোর্থ কোরিয়াদা মে থাদা কোরোনা ভাইরস লাইচৎ শন্দোরকপগী পাউ কয়া ফোঙনখি। লাইচৎ অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌখি।

চাইনাগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ ১৯ গী ফিভম নুংশা থীনিংঙাই ওইরক্তবগা লোয়ননা যুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা থল্লিবা কার্গো রেল সার্ভিস হান্নগুম্না মথৌ হৌহনখিবনি।

# সাউথ কোরিয়াদা আউটদোর মাস্ক মেন্দেট মপুং ফানা লৌথোকখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

থা অনী হেনবগী মনুংদা অনৌবা কোভিদ ১৯ কেস মশিং খ্বাইদগী নেম্লকখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা আউটদোর মাস্ক মেন্দেটশিং মপুং ফানা লৌথোকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়ানা কুমজা ২০২০ গী ওক্তোবরদা মাস্ক শীজিন্নবগী রুলশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌখি অমসুং মদু মখা তানা হৌখিবা চহীদা হেন্না চেৎশিলহনখি। লৈবাক অসিনা মে থাদা আউটদোর মাস্ক মেন্দেটশিং খরমখৈ কোমথোকখ্রবসু আউটদোরদা মী ৫০ নত্ত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবদা লোয়ননা স্পোর্টিং ইভেন্টশিং অমসুং কন্সর্টশিংগুম্বা অচৌবা ইভেন্টশিংদা মখা তানা মাস্ক শীজিন্নহনখি। রুলশিং অদুবু ভাইওলেট তৌবা মীওইশিং ফাইন তৌখি।

পিএম হান্দুক-সুনা হায়, সাউথ কোরিয়ানা কোভিদ ১৯ লাইচৎ নৌনা কনশিল্লকপগী অরুবা ষ্টেজ অমা লাকহৎনবা হোৎনরি। এক্সপার্টশিংগা তান্নরগা ফেজ নাইনা লো রিস্ক এন্টি-ভাইরস ষ্টেপশিং কোমথোকহনগনি। কোরিয়া দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সি (কেদিসিএ) গী ওফিসল অমনা হায়খি, মদুদি লৈরিবা ফিভমশিংগী মতুং ইন্না মাস্ক শীজিন্নবা হায়বসি হৌজিকসু মখা তানা মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না চৎনহন্দুনা লৈরি। মরু ওইনা রিস্ক ৱাংবা গ্রুপশিং অমদি মখোয়গা তোৎন তিন্নরিবা মীওইশিংগী ওইনা মাস্ক শীজিন্নবা হায়বসি মখা তানা মথৌ তারি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মতম মতমগী ফ্লু অমদি অতৈ লৌনগনবা লায়নাশিং শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক লৈরিবা ওইবনা হৌজিকসু ইন্দোরদা মাস্ক শীজিন্নবগী রুলশিং মতম খরগী ওইনা চৎনখিগনি। ইন্দোরদা মাস্ক শীজিন্নবগী রুল পুম্নমক অমুক্তদা লৌথোকপনা চমম্নবা থোকপগী চাং হন্থহনগনি অদুনা কোভিদকী তরেৎশুবা ৱেব লোইরবা মতুং অমদি তং তাবা ফিভম অমা লাক্লবা মতুংদা ইন্দোর মাস্ক মেন্দেট পুম্নমক লৌথোক্কনি হায়না পেন্দামিক্কা মরী লৈননা গভর্ণমেন্ট টাস্ক ফোর্সকী সিভিলিয়ন এদভাইজর অমা ওইরিবা জুংকি-সুক্না ফোঙদোকখি।

# ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট হাৎখিবগা মরী লৈননা ক্রিমিনেল চার্জশিং ফাইল তৌখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

ইরানগী অৱাংবা রেঙ্ককী ন্যুক্লিয়র ফিজিসিষ্ট মোসেন ফাখ্রিজাদে হাৎখিবদা চেন্নবগীদমক মীওই ১৪ গী মায়োক্তা ক্রিমিনেল চার্জশিং ফাইল তৌরে হায়না টেহরানগী চীফ প্রোজিক্যুটর অলি সালেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোজিক্যুটর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মীওই ১৪ অদু করপসন, ইজরেলগা কো ওপরেসন পীনদুনা অরোন অথুপশিং খন্দোক্লবা হোৎনবা, ইরানগী সেক্যুরিটিদা শোকহনবগী পান্দমদা য়েক্লবশিংগা লৌতুনবা অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটিগী মায়োক্তা থবক তৌবগী মরাল শীখি হায়না সেমি ওফিসল টাজনিম ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা মীওই কয়াবু ইস্লামিক ভেল্যুশিংগা মরী লৈনবা ওফেন্সশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী ওফেন্সশিং পল্লকপা মতমদা করপসন ওন আর্থ হায়বা টার্ম অসি শীজিন্নরি। মীওই ১৪ অদু অসিগুম্বা মখলগী করপসন চথরম্বগী মরাল শীখিবনি হায়রি।

ইরানিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওর্গনাইজেসন ওফ দিফেন্সিব ইন্নোবেসন এন্দ রির্ছসকী মকোক ওইখিবা ফিজিসিষ্ট ফাখ্রিজাদে কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ২৭ তা ইরানগী কেপিটেল টেহরানগী অৱাংনোংপোকলোমদা কিমি ৬০ রোম লাপ্না অফসার্ট দিষ্ট্রিক্টতা মহাক্কী কারদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথবদা ফিভম লুনা শোকপদগী হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নবদা শিখিবনি। ইরাননা ইজরেলবু মীহাৎ অদুদা চেন্নে হায়না মরাল শীখ্রবনি।

# ইটলিগী পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনদা রাইট-কোল্লিসননা মায় পাক্লবা য়ানা লৈরে

রোম, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙলিবা পার্সেল রিজল্টশিংদা যুস্ফম ওইরগা পীবা প্রোজেক্সনশিংগী মতুং ইন্না মতম ঙনখৎনা পাঙথোক্লিবা ইটলিগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা রাইট-ৱিং কোল্লিসন্না মায় পাক্লবা য়াই হায়বা উৎখ্রে।

কন্সোর্জিও ওপিনিও ইটালিয়া পোলষ্টরনা পীবা অমদি ষ্টেট টিভি রাই ন্যুজ ২৪ না ফোঙবা প্রোজেক্সনশিংগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা থাদনখিবা বেলোটশিংগী চাদা ২৪.৭ ফঙলিবা জিওরজিয়া মেলোনিয়ানা লুচিংবা নেসনেলিষ্ট ব্রদর্স ওফ ইটলিনা ভোট মশিং খ্বাইদগী হেন্না ফঙবা পার্টি ওইখি।

করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি মেলোনিনা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি। মদু চহী ৭০ গী মতমদা ইটালিগী খ্বাইদগী চেৎপা রাইট-ৱিং গভর্ণমেন্ট ওইগদৌরিবনি। প্রোজেক্সনশিং অদুগী মতুং ইন্না মেলোনিগী কোলিসন মীচং অনী হায়বদি মাটিও সলবিনিগী লিগ পার্টি অমসুং হান্নগী পিএম সিলবিও বলোস্কোনিগী সেন্টর-রাইট ফোর্জা ইটালিয়ানা মথংশিংনা চাদা ৮.৭ অমসুং চাদা ৮ ফঙগনি।

সেন্টর-লেফ্ট এল্লায়ন্স অদুদা মরু ওইবা ফোর্স ওইরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর এনরিকো লেটানা লুচিংবা সেন্টর-লেফ্ট দিমোক্রেটিক পার্টি (পিদি) বু ভোট চাদা ১৯ গা লোয়ননা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না ভোট পীবা পার্টিনি হায়না প্রোজেক্ট তৌখি। ব্রদর্স ওফ ইটলি অমসুং পিদি অসি মীখলগী কেম্পেইনদা মরু ওইবা কন্টেন্দরশিং হায়বদি রাইট-ৱিং কোল্লিসন অমসুং সেন্টর-লেফট এল্লায়ন্সতা মরু ওইবা ফোর্সশিং ওইখি। কেম্পেইন অদুদা নাইতোম ওইখিবা পোপ্যুলিষ্ট ৫ ষ্টার মুভমেন্ট এম ৫এসনা ভোট চাদা ১৬.৭ রোম ফঙগনি অমসুং পার্টি অনী হায়বদি অজিওন অমসুং ইটালিয়া ভাইবাগী অপীকপা সেন্ট্রিস ফোর্স অমনা অপুনবা ভোটকী চাদা ৭.৩ রোম ফঙলগনি হায়না পারি।

ব্রদর্স ওফ ইটালিগী মীচংশিং ওইরিবা সলবিনিগী লিগ পার্টি অমসুং ফোর্জা ইটালিয়ানা মথংশিংনা চাদা ১২.৫ অমসুং চাদা ৬ তগী ৮ ফাওবা ফঙগনি হায়নসু প্রোজেক্সনশিং অদুনা হায়রি।

পার্সেল দেটাগী মতুং ইন্না রাইট-ৱিং এল্লায়ন্সনা চেম্বর ওফ দিপ্যুটিসকী সিট ৪০০ গী মনুংদা ২২৭ তগীনা ২৫৭ অমসুং সিনেটকী সিট ২০০ গী মনুংদা ১১১ দগী ১৩১ ফাওবা ফঙদুনা মথংগী পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক কন্ট্রোল তৌগনি।

# পিএমগী য়ুম বগিং তৌখি হায়বগী মতাংদা ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা থিজিল্লগনি

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী):

মাইক্রোফোননচিংবা খুৎলায়শিং লোন্না ইন্সটোল তৌদুনা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টরগী য়ুম বগিং তৌখি হায়বগী মতাংদা লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আইবি) দা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফকীদা নত্তনা মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা ইমরান খাননা ৱারী শানখিবগী রেকোর্দশিং য়াওবা দেটা হেক্কর অমনা য়োন্নবা হোৎনৈ হায়বা রিপোর্টশিংগী মরক্তা সোসল মেদিয়াদা ওদিও লিকশিং ভাইরেল ওইরকখিবা মতমদা খোঙথাং অসি লাকপনি হায়রি।

ড ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, ওদিও লিকশিং অদু টেলিফোনদা ৱারী শানখিবশিং অদুদা নত্তবা ওইবনা অসুম্না প্রাইম মিনিষ্টরগী য়ুমদা বগিং চথরম্বগী থৌদোক অসিনা



মরী লৈনবা খুদিংমক্তা সেক্যুরিটি ব্রিজকা মরী লৈননা ৱার্নিং তৌরি। সোসল মেদিয়াদা অপলোদ তৌখিবা অসিগুম্বা অহানবগী লিক অদু সারিফ অমসুং মহাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (পিএস) টোকির সহাগী মরক্তা খন্ন-নৈনখিবা অমনি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা মারিয়ম নৱাজনা মহাক্কী ময়ানুপা রাহিল মুনিলবু ইন্দিয়াদগী পৱার প্লান্ট অমগী মেছিন্নরি ইম্পোর্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবা সহাদা হায়খিবা ৱাফম য়াওখি হায়রি।

ড ন্যুজনা মীওই অনীদুগী মরক্তা হিরম অদুগা মরী লৈননা দিস্কসন অদু য়াম্না নকশিন্নবা মওংদা ৱারী শানখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী য়ুম অদুদা বগিং দিভাইস খরা ইন্সটোল তৌরম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙখি।

লিক ওইখিবা ওদিও অদুদা মেছিন্নরি ইম্পোর্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীবা অদুনা ৱাথোক অমা লাকহনবা য়াই হায়না সহানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনসু মহাক্কী ৱাফম অদুদা য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পিএসতা ৱাফম অদুমক মারিয়মদা খঙহন্নবা দিরেক্সন পীখি অমদি হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্লসু মারিয়মগা ৱারী শান্নগনি হায়খি।